**গোভর্নমেন্ট ওফ মণিপুর**

**ডাইরেক্টোরেট ওফ ইনফোর্মেসন এণ্ড পব্লিক রিলেসন্স**

**•••**

**প্রেস রিলিজ**

**মিনিষ্টর বিস্বজিৎনা ২০২০ ফাওবদা লশিং অমদি খুৎশেমগী লং পোখোক মপানলমদা থাদোকবা থাজবা পীখ্রে**

**ইম্ফাল, জন ২৯, ২০১৭ (ডি আই পি আর)ঃ** টেক্সটাইল, কর্ম্মর্স এণ্ড ইণ্ডিষ্ট্রি মিনিষ্টর শ্রী থোংঙাম বিস্বজিৎনা থাজবা পীখ্রে মদুদী লমদম অসিগী লশিং অমদি খুৎশেমগী লংগী পোখোকশিং অসি মপান ষ্টেটশিংদা ইং ২০২০ ফাওবদা থাদোক্লগনি। ৱাফম অসি ঙসি পেলেস গেট, ইম্ফালদা লৈবা মণিপুর ফিল্ম ডিভেলপমেন্ট সোসাইটিদা পাঙথোকপা গোভর্নমেন্টকী নুমিৎ ১০০নিগী থৌরাঙগী মখাদা পায়খৎপা মণিপুর হেণ্ডলুম এণ্ড হেন্দিক্রাফটস ডিলিভরি স্কিম হৌদোকপগী থৌরমদা মিনিষ্টরনা ফোঙদোকখিবনি। থৌরম অদু ডিপার্টমেন্ট ওফ টেক্সটাইলস, কর্ম্মস এণ্ড ইণ্ডিষ্ট্রি অমসুং ডাইরেক্টোরেট ওফ টেক্সটাইলস অনি পূন্না খুৎশমদুনা শিনবনি।

শ্রী বিস্বজিৎনা হায়, ষ্টেট অসিদা ফিশা-লোনশা তৌবা মীওই লাখ ২.০৪ অমদি ইয়োং লৈবা মীওই লাখ ১.৯ লৈরিবা অসি লমদম অসিদা খ্বাইদগী মশীং য়াম্বনি। ইয়োংগী ফিশা-লোনশা অমদি খুৎ-শা হৈবগী পোখোকশিং অসিনা ঐখোয়গী নাৎ অমদি চৎনবী মশক তাকপনা লমদম অসিগী ফিশা-লোনশা তৌরিবা অমদি খুৎ-শা হৈবা মীওইশিং য়োকখৎতবা য়াদে।

ফিশা-লোনশা তৌরিবা অমদি খুৎ-শা হৈবা মীওইশিংগী য়েংদুনা ফিশা-লোনশা অমসুং খুৎশা পোখোকশিং পুথোকপদা মথৌ তাবা পোৎলমশিং অসি য়ুমদা য়ৌহন্নবগী থবক অসি পায়খৎপনি হায়না মিনিষ্টরনা ফোঙদোকখি। স্কীম অসিনা ফিশা-লোনশা তৌরিবা মীওইশিংগী শেল-থুম লাকপা অমদি পোখোক পুথোকপগী চাং হেনগৎহনবা ঙম্লগনি। মথৌ তাবা পোৎলমশিং য়ুম-য়মুদা থিল্লগদবনা ফিশা-লোনশা তৌবদা মতম মাংলরোই লোয়ননা শেম শাবা লোইরবা পোখোকশিং অসিসু গোভর্নমেন্টনা লৈরগা লাকপা য়ারগনি হায়না মিনিষ্টরনা মখা তাখি।

স্কীম অসিগী মখা ফিশা-লোনশা তৌবা অমদি খুৎ-শা হৈরবা মীওই ১৬১২না রেজিষ্টর তৌরে। ফিশা-লোনশা তৌবা মীওইশিংনা রেজিষ্টর তৌহৌদবা লৈরবসু মশাগী মমীং অমদি আধার কার্ড উৎতুনা রেজিষ্টর তৌবা য়াগনি।

ফঙ্কসন অসিগা মরী লৈননবা ফিশা-লোনশা তৌবা মীওইশিংদা সোলর হোম লাইটিং সিষ্টেমসু য়েন্থোকখি।

শ্রী থোংঙাম বিস্বজিৎনা হায়, সোলর হোম লাইটিং সিষ্টেম অসি ফিশা-লোনশা তৌরিবা মীওইশিংদা মিনিষ্ট্রি ওফ ইনর্জি এণ্ড রিন্যুয়েবল রিসোর্সেসকী শেন্থং মখাদা পীবনি অমদি মসিনা চাদিং হন্থহন্দুনা শেন্দোং হেন্না লৈহনবা ঙম্লগনি। অহানবা তাঙ্কক্কী ওইনা বেনিফিসরি ৭০৭৮ না সোলর লেম্পশিং অসিগী কান্নবা ফংগনি।

ইণ্ডষ্ট্রি ডিপার্টমেন্টকী খ্বাইদগী মরুওইবা পান্দম অসি নহা ২৫০০০ থবক পীবনা ওইরি। মিনিষ্টরনা হায়, লোইতাং খুন্নৌদা লৈবা স্পাইনিং মিল অসি অমুক নৌহৌননা হিংগৎহন্নবা থবক পায়খৎপা লোইশিল্লক্লে। স্পাইনিং মিল অসি নোঠ ইষ্ট পূন্বদা লশিংদগী লং শুংবা ঙম্বা অমখক্তা ঙাইরবা মিলনি। ইহান হানবা ওইনা পায়খৎপা থবক ওইনা মোরে অমদি জিরিবামদা লশিং থাবগী থবক পায়খৎলগনি হায়না মিনিষ্টরনা ফোঙদোকখি।

মিনিষ্টরনা মখা তাখি মদুদী ইং ২০২০ ফাওবগী মনুংদা ষ্টেট অসিদা পুথোকপা লশিং অমদি খুৎশেমগী লংশিং মপান ষ্টেটশিংদা এক্সপোর্ট তৌরগনি অদুবু মসিবু থবক ওইনা পাঙথোকপা ঙমবা হোৎনবদা মরী লৈনবশিংগী পূকিং চঙবা মথৌ তাই।

ডিপার্টমেন্ট অসিনা মায় পাকা পাঙথোকখিবা নুমিৎ ১০০নিগী থবকশিংবু থাগৎলদুনা মিনিষ্টর বিস্বজিৎনা হায়, পায়খৎখ্রবা থবকশিং অসি য়ামা তোপ-তোপা মওংদা পায়খৎখি অদবু অহেনবা পায়খৎকদবা কয়া অমসু লৈরি। ষ্টেট অসিদা টুরিজম, স্পোর্টস, হেণ্ডলুম-হেণ্ডিক্রাফট চাওখৎহন্নবা অমদি মেডিকেল ইণ্ডষ্ট্রি খুমাং চাওশিনহনবা মথৌ তাই। মসিনা তুং কোইনা ষ্টেট অসিগী শেল-থুমগী ফিভম ফগৎহনবা ঙমগনি হায়না মিনিষ্টরনা মখা তাখি।

পি এম জি ই পি লোন পিবদা মওং মরীল তাদনা তৌরম্বা থেংনরবদি অকনবা খোঙথাং লৌগনি হায়না মিনিষ্টরনা হায়খি। শেঞ্জা-থুমজা তৌবা ওফিসিয়েলশিং থেংনরবদি অহকপা চৈরাক পীগনি লোয়ননা শেঞ্জা-থুমজা পীদুনা লোন ফংননবা হোৎনরম্বা মীওইশিংগী এপ্লিকেসন কেন্সেল তৌগনি।

মিনিষ্টর বিস্বজিৎনা মখা তারদুনা হায় মদুদী অমগা অমগগী মরক্তা মোৎ মান্ননা থবক শূমিন্নবনা সমাজ অসিদা শান্তি পুরকপা ঙমগনি অমদি শান্তি লৈরবদি চাওখৎপসু মথনতা লাকচগনি।

মরিপুর হেণ্ডলুম এণ্ড হেণ্ডিক্রাফট ডিভেলপমেন্ট কোর্পোরেসনগী চ্যারমেন শ্রী এস. রাজেন, পার্লিয়ামেন্টরি সেক্রেটরি (ফাইনান্স) শ্রী থোকচোম শত্যব্রতা সিংহ, পার্লিয়ামেন্টরি সেক্রেটরি (মহুড) শ্রী এন. ইন্দ্রজিৎ, টেক্সটাইল, কর্ম্মস এণ্ড ইণ্ডষ্ট্রি ডিপার্টমেন্টকী ওফিসিয়েলশিং, ফিশা-লোনশা তৌবা অমদি খুৎ-শা হৈরবা মীওইশিংনা থৌরম অদুদা শরুক য়াখি।

.......................................................................................................